


# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL,SUNDAY, MARCH 05, 2017 PAGE 7




*দুবাই ওপন টেন্নিসতা নুপাগী দবলসতা পোলেনগী মাটকোস্কিগা লোয়ননা জুরা ওইদুনা শান্নরকপদা ফাইনেলদা মায়থিহৌরবা ইন্দিয়াগী রোহন ভোপানা*

*ৱেষ্ট ইন্দিজবু রন ৪৫ দা মায়থিবা পীখিবা ইংলেন্দগী টিমদা খ্বাইজগী ফজনা শান্নদুনা রন ১০৭ লৌখিবা ইওন মোরগান*

# সাউথ আফ্রিকানা ন্যু জিলেন্দবু ৫শুবা ৱান দে মেটচতা ৱিকেট ৫দা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ লৌখ্রে



*ন্যু জিলেন্দবু ৱান দে মেটচ ৫গী সেরিজগী অরোইবা ৱান দেদা মায়পাক্লুনা সেরিজ লৌখ্রবা সাউথ আফ্রিকাগী টিম্না হরাওবা উৎখিবা*

*ওকলেন্দ, মার্চ ৪ঃ*

সাউথ আফ্রিকা অমসুং ন্যু জিলেন্দনা ঙসি ওকলেন্দদা লৈবা ইদেন পার্কতা শান্নখিবা অরোইবা অমদি মঙাশুবা ৱানদে মেটচতা সাউথ আফ্রিকানা ৱিকেট ৬তা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ লৌখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদুগী টোস সাউথ আফ্রিকাগী কেপ্তেন এবি দি ভিলিয়র্সনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি।

য়ুম্বু ন্যু জিলেন্দনা মখোয়গী ইন্নিংস শান্নরকপদা সাউথ আফ্রিকাগী বোল্লরশিংনা য়াম্না ফজবা মওংদা শান্নবা ঙমদুনা ন্যু জিলেন্দগী ইন্নিংস অদু ওভর ৪২দা বেটচমেন ১০মক আউত তাহল্লগা রন ১৪৯ খক লৌখি।

মমাংগী ৪শুবা ৱান-দেদা রন আউত ওইদনা রন ১৮০ লৌবা ঙমখিবা ন্যু জিলেন্দগী ওপনর মার্টিন গুপটিল সাউথ আফ্রিকাগী বোল্লর কাগিসো রবাদানা রন ৪দা আউট তাহন্দুনা ন্যু জিলেন্দগী অহানবা ৱিকেট শুপ্নগী রন ১৭তা আউট ওইখি।

গুপটিলগী মহুৎ কেপ্তেন কেন ৱিলিয়মসন্না মহুৎ শিল্লকখি। মহাক্কা অতোপ্পা ওপনর দোন ব্রাউননিগা ইন্নিংস মখা তানা শান্ননবা হোৎনরকপদা স্কোর বোর্দতা রন ২৫ হাপচিল্লগা লৈরিঙৈ অপুনবা স্কোর ৪২শুরকপদা কেপ্তেন কেন ৱিলিয়মসন মশাগী রন ৯দা আউট ওইদুনা ন্যু জিলেন্দগী ৱিকেট অনী রন ৪২দা তুখি।

মশাগী রন ২৪ লৌদুনা লৈখিবা ন্যু জিলেন্দগী ওপনর দোন ব্রাউনি ১২শুবা ওভরদা আউট ওইদুনা টিম অদুগী অপুনবা স্কোরদা অহেনবা রন হাপচিনবা ঙমদ্রিঙৈ বেটচমেন ৩ আউট ওইখি।

ক্রিজদা নৌনা শান্নবা চংলকখিবা রোস টেলর অমসুং লুক রোঞ্চিনা ফনা কন্না হোৎনরবসু ন্যু জিলেন্দগী অপুনবা স্কোরদা রন ৯খক হাপচিন্দুনা লৈরিঙৈ রোস টেলরসু রন ৮দা আউট ওইখিবদগী ন্যু জিলেন্দগী ফিভম য়াম্না শোকচিনখি। রোস টেলরবু সাউথ আফ্রিকাগী বোলর এন্দি ফেলুকৱায়োনা আউট তাহনখিবনি।

পনবা য়াই এন্দিনা মমাংদা ন্যু জিলেন্দগী ব্রাউনিসু আউট তাহনখিবনি। রোস টেলরগী মতুংদা জেমস নিশাম শান্নবা চংলকখি। মহাক্কা লুক রোঞ্চিগা শান্নবদা মখা তানা রন ২১ খক হাপচিন্দুনা অপুনবা স্কোর ৭২ লৈরিঙৈদা রোঞ্চিবু সাউথ আফ্রিকাগী বোলর খৃস মোরিসনা আউট তাহন্দুনা বেটচমেন ৫ শুপ্নগী রন ৭২দা আউট ওইখি।

মখাতানা ন্যু জিলেন্দগী বেটচমেন জেমস নিসাম মশাগী রন ২৪ শুরকপদা রবাদানা আউট তাহন্দুনা রন ৮৭তা বেটচমেন ৬ আউট ওইখি।

ন্যু জিলেন্দগী ৭শুবা অমসুং ৮শুবা বেটচমেন অনীনা শান্নখিবা ৭শুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপকীদমক রন ৪৫ হাপচিন্দুনা লৈরিঙৈ মিটচেল সান্টনর বোল ৫০দা রন ২৪ লৌরম্লগা আউট ওইখিবদগী অপুনবা ওভর ৩৫ শুরকপদা ন্যু জিলেন্দগী অপুনবা স্কোর ১৩২গা লৈখি।

সাউথ আফ্রিকাগী বোলরশিংগী মায়োক্তা ন্যু জিলেন্দগী বেটচমেনশিং উপায় লৈখিদে মখা তানা রন ১৭খক হাপচিল্লগা মখোয়গী বেটচমেন ১০ আউট ওইদুনা ওভর ৫০ মপুং শান্নবা ঙমদনা ওভর ৪২গী অহানবা বোলদা রন ১৪৯দা ইন্নিংস লোয়শিনখি।

সাউথ আফ্রিকাগী মায়কৈদগী বোলর কাগিসো রবাদানা ন্যু জিলেন্দগী বেটচমেন ৩ আউট তাহন্দুনা টিম অদুগী খ্বায়দগী ফজবা বোলর ওইখি। মহাকপু চাওনা মতেং পাঙখিবা অতোপ্পা বোল্লর অনী অদুদি ইম্রান টাহির অমসুং এন্দি ফেলুকৱায়োনি। বোলর অনী অসিনা ন্যু জিলেন্দগী বেটচমেন ২ / ২ আউট তাহনখি।

মায়পাক্লবা সাউথ আফ্রিকানা ওভর ৫০দা রন ১৫০ লৌবগী টার্গেট লৈখি। হায়রিবা টার্গেট অদু মখোয়না বেটচমেন ৪খক আউট ওইরগা ইন্নিংসকী ওভর ৩৩ শুরকপদা মায়পাকপা ঙমখি।

সাউথ আফ্রিকাগী ওপনর অনী ক্লিন্টোন দি কোক অমসুং হসিম আমলা য়াম্না ঙন্না ওভর ১২ শুরকপদা রন ৩৫দা আউট ওইখি। টিম অদুগী ইন্নিংস মখা তানা শান্ননবা ফাপ দি প্লেসুস অমসুং জোন পোল দুমিনিনা শান্নরকপদা অপুনবা রন ৪৮ শুরকপদা দুমিনি মশাগী রন ৩দা আউট ওইখিবদগী কেপ্তেন এবি দি ভিলিয়র্স শান্নবা চংলকখি।

ভিলিয়র্স অমসুং প্লেসিসনা রন ৪০ হাপুচিন্দুনা লৈরিঙৈ ভিলিয়র্স রন ২৩দা আউট ওইদুনা সাউথ আফ্রিকাগী অপুনবা স্কোর অদু ৱিকেট ৪ তুখিবদা রন ৮৮ লৌদুনা লৈখি।

সাউথ আফ্রিকাগী ৬শুবা বেটচমেন দেবিদ মিলর অমসুং ফাপ দু প্লেসিসনা ৫শুবা ৱিকেট পার্টনরসিপকীদমক রন ৬২ হাপচিন্দুনা মেটচ অদু মায়পাক্লবগী টার্গেট ওইখিবা রন ১৫০ অদু মখাতানা লৌখিদুনা মঙাশুবা অমদি অরোইবা ৱান দে মেটচ অদু ৱিকেট ৬তা মায়পাকপা ঙমখিদুনা মেটচ ৫গী সেরিজ অদু য়ুম্বু ওইখিবা ন্যু জিলেন্দনা লৌবা ঙমখিবনি।

# মেক্সিকো ওপনদা স্পেনগী রাফেল নদাল অমসুং য়ু এস এগী সাম ক্বেরিনা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি



*মেক্সিকো ওপনগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা রাফেল নদাল*

*মেক্সিকো সিটি, মার্চ ৪ঃ*

মমাংদা নুপাগী টেন্নিসকী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোই মতম শাংনা ওইরম্লবা স্পেনগী রাফেল নদাল অমসুং য়ু এস এগী সাম ক্বেরিনা মেক্সিকো সিটিদা পাঙথোক্লিবা মেক্সিকো ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা স্পেনগী রাফেল নদালনা মহাক্কী ঙরাং শান্নখিবা সেমিফাইনেল মেটচতা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই ক্রোএসিয়াগী শান্নরোই মারিন সিলিকপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা য়াম্না কোম্না ৬-১, ৬-২দা মায়থিবা পীরম্বনি।

মেটচ অদুগী হৌরকপদগী হৌনা স্পেনগী শান্নরোই অদুনা য়াম্না খুদুম চন্না শান্নবা ঙমখি। সেমিফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট্টা নদালনা ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিককী সার্ভিস গেম অনী ঙন্না ব্রেক তৌদুনা গেম ৬-১দা মায়থিবা পীদুনা সেট অমা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা সেটতসু মারিন সিলিক্কী মায়কৈদগী অহেনবা মশান্না কয়া উৎপা ঙমখিদবদগী মহাক্কা তৌখিবা সার্ভিস গেম ২খক মায়পাক্লগা অতোপ্পা গেম ৬ অদুনা রাফেল নদালনা থোইদুনা অনীশুবা সেট অদু ৬-২দা থোইরগা মেক্সিকো ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী সেমিফাইনেল মায়পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

রাফেল নদালনা মেক্সিকো ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অুসিগী ফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবা শান্নরোই অদু য়ু এস এগী সাম ক্বেরিনি।

পনবা য়াই য়ু এস এগী সাম ক্বেরিনা মহাক্কী ঙরাং শান্নখিবা সেমিফাইনেল মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক ক্রাইগিয়োসপু য়াম্না কন্না লম্বা তৌনখিবা সেমিফাইনেল মেটচ অদুদা সেট ২-১দা থোইরম্বনি।

নিংশিংবা য়াবদি টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই নিক ক্রাইগিয়োসনা মহাক্কী লম্বা ওইখিবা ৱার্ল্ড নম্বর টু ওইরিবা সর্বিয়াগী নোবাক জোকোবিসপু ষ্ট্রেট সেট্টা মায়থিবা পীরম্বনি।

ঙরাং শান্নখিবা সেমিফাইনেল মেটচকী অহানবা সেট অদু ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই নিক ক্রাইগিয়োসনা সাম ক্বেরিগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৩দা মায়থিবা পীখি।

অনীশুবা সেটতদি য়ু এস এগী সাম ক্বেরিনা য়াম্না ফজবা হেল্লকপদগী নিক ক্রাইগিয়োসকি সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌবা ঙমদুনা ৬-১দা মায়পাকপদগী সেমিফাইনেল মেটচ অদুদা শান্নরোই অনীমক্না সেট অমমম মান্নদুনা লাকখি।

সেট অমমম মান্নরকপদগী শান্নরোই অনীনা অরোইবা অমদি ৩শুবা সেট অদুদা মায়কৈ অনীমক্তগী অরৈবা পাঙ্গল পুথোক্লদুনা শান্নরকপদা সেট অদুগী গেম ১০ লোয়শিল্লবা ফাওবদা গেম ৫-৫দা লৈনখি।

য়ু এস এগী শান্নরোই সাম ক্বেরিনা মখা তাবা গেম অনী থোইদুনা সেমিফাইনেল মেটচ অদু মহাক্কা থোইদুনা ফাইনেলদা রাফেল নদালগা শান্নরগনি।

টুর্নমেন্ট অসিগী দবলসকী কাংলুপ্তা গ্রেট বৃটেনগী জিমি মুরে অমসুং ব্রজিলগী ব্রুনো সাউরেসকী জুরাগা য়ু এস এ গী জোন ইসনর অমসুং স্পেনগী ফেলিসিয়ানো লোপেস অনীনা ফাইনেল শান্নরগনি।

মুরে অমসুং সাউরেসনা মখোয়গী সেমি ফাইনেল মেটচতা জর্মনিগী পি পেজেসনর অমসুং পাকিস্টানগী ঐশাম উল হক ক্রুয়েসিবু ৬-৪, ৭-৬ (৭-১) দা মায়থিবা পীরম্লবনি। অমরোমদা য়ু এস এগী জোন ইসনর অমসুং স্পেনগী ফিলিসিয়ানো লোপেসনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা ইটালেগী এফ মর্টিন অমসুং ওষ্ট্রিয়াগী ও মরাক্কু ৬-৩,৪-৬,১৬-১৪ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

# অনীশুবা টেষ্টতা ইন্দিয়া রন ১৮৯ দা অহানবা ইন্নিংস লোইশিনখ্রে, ওষ্ট্রেলিয়া রন ৪০ লৌদুনা লৈরি



*ইন্দিয়াগী বেটচমেন ৮ আউত তাহন্দুনা খ্বাইদগী ফজনা বোল্লিং তৌখিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী নেথন লিওন (ময়াই) বু টিম মেটনা থগৎপা ফোংদোকপা*

*বেঙ্গালুরু, মার্চ ৪ঃ*

ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা ঙসি বেঙ্গালুরুদা লৈবা এম চিনা শ্বামি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অনীশুবা ষ্টেট মেটচকী ঙসি অহৌবা মেটচতা ইন্দিয়াগী অহাবা মেটচ অদু শুপ্নগী রন ১৮৯ দা লোইশিনখি। মদুগী পাউখুমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী অহানবা ইন্নিংস বেটচমেন অমত্তা আউত ওইদনা রন ৪০ লৌদুনা লৈরি।

মেটচ অদুগী তোচ ইন্দিয়ানা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। লোকেস রাহুল অমসুং অবিনাস মুকুন্না ইন্নিংস অদু হৌদোকখি। মদুদা স্কোর বোর্দতা রন ১১ লৈবা মতমদা মুকুন রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউত ওইখি।

চিতেশ্বর পুজারানা মহাক্কী মহুৎ শীল্লকপদা শুপ্নগী রন ১৬ খক লৌখি। কেপ্টেন ভিরাট কোহলিসু রন ১২ লৌরম্লগা পুজারাবু আউত তাহনখিবা নেথন লিওনা আউত তাহনখি। ইন্দিয়াগী অপুন্বা স্কোর ৮৮ দগী ওপন্নর রহুল অমসুং অচিনকিয়া রহনেনা শান্নরকপা রন ১১৮ য়ৌহল্লকখি। রহানে রন ১৭ শুরকপদা লিওনা অমুক হান্না আউত তাহনখিবদগী ইন্দিয়াগী বেটচমেন মরি আউত ওইহনখি।

নৌনা চঙলকখিবা করুন নয়র অমসুং রহুলনা ইন্দিয়াগী স্কোর ১৫৬ ফাওবা পুখৎলকখি। নয়র রন ২৬ তা আউত তাখি। রবিচন্দ্রন অশ্বৱিন শান্নবা চঙলকখি। মহাকসু ক্রিজদা কুইনা লৈবা ঙমখিদে রন ৭ খক লৌরম্লগা লিওননা আউত তাহনখিবদগী ইন্দিয়াগী রন ১৭৪ দা ৱিকেট ৬ তুখি।

রিধিমান সহা শান্নবা চঙলকখি। শুপ্নগী রন ১ দা মহাকপু লিওননা মহাক আউত তাহনবদগী রবিন্দ্র জদেয়া অমুক শান্নবা চঙলকখি। মহাকপু ওষ্ট্রেলিয়াগী স্পিন্নর নেথন লিওননা রন ৩ দা আউ তাহনখিবদগী ইন্দিয়াগী বেটচমেন ৮ রন ১৮৮ দা তুখি।

ইন্দিয়াগী ওপন্নর লোকেস রহুল মশাগী রন ৯০ শুরকপদা ওষ্ট্রেলিয়াগী খ্বাইগী মায়পাকপা বোল্লর ওইরিবা নেথন লিওননা আউত তাহনখিবদগী ইন্দিয়াগী ১৯ শুবা বেটচমেন ইশান্ট শর্ম্ম শান্নবা চঙলকখি। মহাক লিওনগী অহানবা বোল ময়োক্লবদা আউত ওইদুনা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু রন ১৮৯ দা লোইশিনখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী মাইকৈদগী নেথন লিওননা রন ৫০ পীরগা ইন্দিয়াগী বেটচমেন ৮ আউত তাহন্দুনা খ্বাইদগী ফজবা বোল্লর ওইখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস শান্নবা হৌরকপদা দেবিদ ৱার্নর অমসুং মেট রেমশ্বরনা ঙসি শান্নখিবা ওভর ১৬ অদুদা আউত ওইদনা মথংশিৎনা রন ২৩ অমসুং ১৫ লৌদুনা লৈরি। টিম অসিনা ইন্দিয়াগী অহানবা ইন্নিংসকী স্কোরদগী রন ১৪৯ শোখ্রি।

# দুবাই ওপনদা এন্দি মুরেনা সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে, দবলসকীদা ইন্দিয়াগী রোহন ভোপানা ফাইনেলদা মায়থিহৌরে



*দুবাই, মার্চ ৪ঃ*

নুপাগী টেন্নিসকী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা গ্রেট বৃটেনগী এন্দি মুরেনা ঙসি শান্নখিবা দুবাই ওপন দ্যুটি ফ্রি এটিপি টেন্নিস টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিগী দবলসকী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী রোহন ভোপানা অমসুং পোলেনগী মাটকোস্কিনা জুরা ওইদুনা ফাইনেল শান্নবদা নেদরলেন্দসগী রোজর অমসুং রোমানিয়াগী ঐচ তেকাওগী মখুৎতা মায়থিহৌরে।

সিঙ্গলসকী ফাইনেল অদুদা এন্দি মুরেনা স্পেনগী ফর্নান্দো বরদাস্কোগা লম্বা তৌনবদা ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৩, ৬-২ দা মায়থিবা পীখিবনি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদু মুরেনা বরদাস্কোগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌবা ঙমদুনা ৬-৩ দা থোইখি।

অনীশুবা সেট অদুদসু এন্দি মুরেগী মাইকৈদগী ফজবা হেনদুনা বরদাস্কোগী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-২ দা থোইবদগী সিঙ্গলসকী টাইটল অদু মহাক্না ফঙবা ঙমখিবনি।

চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী রোহন ভোপানা অমসুং পোলেনদগী মাটকোস্কিগী জুরা নেদারলেন্দগী জেজে রোজর অমসুং রোমানিয়াগী ঐচ তেকাওগী মখুৎতা ৬-৪, ৩-৬, ৩-১০ দা মায়থিবা নংহৌখি।